

দিমোক্রেসিদা এটেক তৌখ্রে : গ্রীসকী স্কাই টি ভিগী ওফিস, থোঙনাওশিং বোম পোকখায়বদা কায়রে

এথেন্স, দিসেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

ঙসি মতিক ময়াই লৈরবা বোম অমা পোকখায়বদা এথেন্সতা লৈবা গ্রীসকী স্কাই টি ভিগী ওফিস অমসুং থোঙনাওশিং অকায়-অতোয় থোকখ্রে। ওফিসলশিংনা মদুবু দিমোক্রেসিদা চথবা এটেকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। ব্লাষ্ট অদুদা মীশিমীনাদি য়াওহৌদ্রে হায়রি।

স্কাই অসি গ্রীসকী খ্বাইদগী চাউরবা টি ভি ষ্টেসনশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং রেদিও ষ্টেসন অমা য়াওনা মীদিয়া গ্রুপ অমগী শরুক্নি। মদু লৈবাক অদুগী মরুওইবা নুংতিগী ফোঙবা পাউচে কাথিমেরিনিদা এফিলিয়েট তৌই।

পুলিসনা হায়, মীদিয়া আউটলেট অনীদা চেকশিনৱা পীখিবা মতুং অয়ুক পুং ২.৩৫ রোম তাবদা স্কাই বিল্ডিং মনাক্তা এক্সপ্লোসিভ দিভাইস অমা পোকখায়খি। পোকখায়বা অদুদা অহানবদগী তরুকশুবা ফ্লোর ফাওবগী থোঙনাওশিং কায়রে হায়না স্কাইনা মসিগী ৱেবসাইটতা হায়খি।

ফ্লোর খুদিংমক্তা মাঙ-তাকপগী চাং ৱাংখি অদুবু ইমপ্লোয়ীশিংগী ওফিসশিং লৈরিবা অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা ফ্লোরদনা খ্বাইদগী হেন্না মাঙ-তাকখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। উরিবা ফীভমদু থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি, সিলিংশিং ফ্লোরদা তাখি, থোঙনাওগী গ্লাসশিং মচেৎ তানা কায়খি। থৌদোক অদু খুদক্কী ওইনা গ্রুপ অমত্তনা নৎত্রগা মীওই অমত্তনা ক্লেম তৌরকখিদে।

পোলিটিকেল ঈৱাং লৈবা গ্রীসতা বিজিনেসশিং, ষ্টেট বিল্ডিংশিং, পুলিস অমসুং পোলিটিসনশিংদা মরক মরক্তা এটেক তৌবগী থৌদোকশিং থোক্কুনা লাক্লি। থৌদোক থোকফমদগী স্কাইদা ৱা ঙাঙলদুনা গ্রীসকী সিটিজন্স প্রোটেক্সন মিনিষ্টর ওলগা গেরোভাসিলিনা হায়খি, বোম পোকখায়হল্লিবদু দিমোক্রেসিদা চথবা এটেকনি। অদুম ওইনমক গ্রীসকী দিমোক্রেসি অসি নীংথিনা ঙাক শেল্লগা লৈ অমসুং কনামত্তনা অকিবা পোকহনবা লৈতে হায়না মহাক্না মখা তাখি। স্কাইগী অয়ুক্কী সো খুদোল তৌরিবা জর্নেলিষ্টশিংনা বিল্ডিং অদুগী মপান্দা থোক্লিবশিং লাইভ ব্রোদকাষ্ট তৌখি।

পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, এক্সপ্লোসিভ কেজি ৫ রোম য়াওরম্বা য়াই হায়না পানখিবা দিভাইস অদু বিল্ডিং অদুগা য়াম্না নক্লবা অখুবা গলি অমদা থল্লমখি। লোকেল মীদিয়াদা ব্রোদকাষ্ট তৌখিবা ভিদিও ফুটেজনা মখোল হৌনা পোকখায়খিবা মতুংদা বিল্ডিং অদুদগী কাখৎলকখিবা মৈখু মপৈশিংগী শক্তম উৎখি। বিল্ডিং মনুংগী ফুটেজনা থোঙনাওশিং হুমদোকখিবা অমসুং ওফিস মনুংদা গ্লাস অমসুং দেস্কশিং চাইবগী শক্তমশিং উৎখি। প্রেসকী নীংতম্বদা কনামত্তনা অকি তুজুং পোকহল্লোইদবনি হায়না ন্যু দিমোক্রেসি পার্টিগী স্পোক্সপার্সন মরিয়া স্পাইরাকিনা স্কাইদা ফোঙদোকখি।

'য়ু এসকী অথিংবশিংনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থমদনবা হোৎনবদা খুরৌ ওইরগনি'

সিওল, দিসেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী খ্বাইদগী নৌবা অথিংবশিং নোর্থ কোরিয়ানা কন্দেম তৌরদুনা পোলিসী অদুনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা মতম পুন্বগী ওইনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈহন্দনবগী থৌরাংদা অপনবা পীবা য়াই হায়খ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোর্থ কোরিয়াগী সিনিয়র ওফিসল অহুমগী মথক্তা হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবগীদমক্তা অথিংবা থল্লগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুং নুমীৎ খরনিখক কান্নরগা প্যোংয়াংনা নোংমাইজিং নুমীৎতা ৱার্নিং অসি পীখিবনি।য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অথিংবা থল্লিবা ওফিসলশিংদুদা চো ব্যোং হেসু য়াওরি। মহাক নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উনগী রাইট হেন্দ মেননি হায়না লৌনৈ। ওফিসল কে সী এন এ ন্যুজ এজেন্সীনা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, প্যোংয়াংগা মরী ফগৎনবা হোৎনবগীদমক্তা নোর্থ কোরিয়ানা প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ত্রম্পপু থাগৎখি তৌইগুম্বসুং য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা দি পি আর কে- য়ু এসকী মরী অসি মমাঙগী চহীদা লৈখিবা উংখৎনবগী ফীভমদা অমুক হঞ্জিনহনবা পাল্লি।

ইনষ্টিট্যুট ফোর অমেরিকান ষ্টদিজ ওফ দ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী পোলিসী রিছার্চ দিরেক্টরগী ষ্টেটমেন্টনা য়ু এসপু ওফিসল অহুমদুগী মথক্তা অথিংবা থমদুনা অতম্না কাইহৌই হায়না ফোঙদোকখি। করিগুম্বা ৱাশিংতন্না অথিংবা অমসুং প্রেসর হেনগৎপগী পোলিসী অসিনা নোর্থপু নমদুনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থাদোকহনগনি হায়না থাজবা তারবদি মদু খ্বাইদগী চাউবা অরানবা ৱাখল ওইবগা লোয়ননা মদুনা কোরিয়ন পেনিনসুলাদা মতম পুন্নগী ওইনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈহন্দনবা হোৎনবদা অপনবা ওইরগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

হৌখিবা জুনদা সিঙ্গাপোরদা পাঙথোকখিবা হিষ্টোরিক সম্মিটতা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং কিমনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থমদনবগী ময়েক্তি শেংবা ৱাৎপা ষ্টেটমেন্ট অমা সাইন তৌনখি। তৌইগুম্বসুং মদুদগী খুম্মাং চাউশিনবগী ফীভম উবা ফংখিদে। ৱাশিংতননা অথিংবশিং অদু নোর্থনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থমদনবগী থৌরাংশিং পায়খৎলে হায়বগী মপুং ফাবা ভেরিফিকেসন লৈত্রিবফাওবা মখা তানা চৎখিগনি হায়খি অমসুং প্যোংয়াংনা য়ু এসকী দিমান্দশিং অদুবু গেংষ্টরগুম্বনি হায়রদুনা কন্দেম তৌখি।

ফ্রীদম ওফস্পিচনমথবদা মখোয়না লৌখিবা থৌদাংগী মতাংদা ওফিসল অহুমদুগী য়ু এসকী এসেটশিং ফাজিনগনি হায়না ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না ঙসি লাউথোকখ্রে। প্যোংয়াংগী ওইনদি মালেমগী অথিংবশিংগী চৈরোক কোক্তুনা কোরিয়ন ৱার হৌনবী মতুংইন্না লোইশিন্নবগী এগ্রীমেন্ট অমা পাম্মী। অমরোমদা, ৱাশিংতন্না শেল-থুম অমদি দিপ্লোমেটিক্কী লমদা প্রেসর পীনবা হোৎনরিঙৈ তাল্লকসিদা নোর্থ কোরিয়ানা মখা তানা ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রাম চথরি হায়বসি সেটলাইট ইমেজরিদগী খঙবা ঙমখ্রে হায়রি।

য়ু এস সিনেটকী রিজোল্যুসনশিং সাউদি অরাবিয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

রিয়াধ, দিসেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

য়েমেনগী লানদা য়ু এস মিলিটরিনা শৌগৎপা লেপ্পবা তকশিনখিবা অমসুং সাউদি ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মদ বিন সলমানবু জর্নেলিষ্ট জমল খাসোজি হাৎখিবগী মরাল শিখিবা য়ু এস সিনেটকী রিজোল্যুসনশিং ঙসি সাউদি অরাবিয়ানা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

খাসোজি মীহাৎকা মরী লৈননা সাউদি ক্রাউন প্রিন্সপু মরাল শিরিবদু ইভিদেন্স লৈতবা ক্লেমশিংদা য়ুম্ফম ওই হায়না ফোঙদোক্লদুনা রিজোল্যুসনশিং অদুবু রিয়াধনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎতা সিনেটতা ভোট লৌনখিবদু সিম্বোলিক ওইরবসু প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পবু চৈ থাংবগী খোঙথাং অমা ওইখি। লো ওলহন্নবগীদমক্তদি ৱারেপশিং অদু হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসনা পাস তৌবা চঙনিংঙাই ওই। হাউস অসিগী ওইনদি সাউদিশিংবু চৈগদবা লেজিসলেসন খুদিংমক রিপব্লিকান লিদরশিংনা থিংখি।

সাউদি অরাবিয়াগী মনুংগী ওইবা ৱাফমশিংদা খুৎ থিংজিল্লকপা, লৈবাক অদুগী লুচিংবশিংগী ঈকায় খুম্নবা শোক্লিংঙাই ওইবা মওংদা মরাল শিবশিং অমসুং লৈবাক অসিগী সোভরন্টিদা অকায়বা পীবা নৎত্রগা লৈবাক অসিবু চাং তাহনগদবা থৌওং খুদিংমক কিংদম অসিনা রিজেক্ট তৌই হায়না সাউদি ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

সাউদি নিংথৌগী ইমুংগা নকশিন্নরকখিবা জর্নেলিষ্ট খাসোজি হৌখিবা চহীদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চৎখিবদগী প্রিন্স মোহম্মদকী ক্রিটিক অমা ওইরকখি অমসুং ৱাশিংতন পোষ্টতা আর্টিকেল কয়া ইখি। মহাক হৌখিবা ওক্টোবরগী অঙনবদা টর্কিগী ইষ্টানবুলদা লৈবা সাউদি কোন্স্যুলেটতা হাৎখি। ক্রাউন প্রিন্সনা মহাকপু হাৎনবা ওর্দর তৌখি হায়বা চার্জশিং সাউদি ওফিসলশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখি।

পাকিষ্টান্দা গভর্ণমেন্টকী সেক্সনশিং অমগা অমগা তানদবগী থৌওং ৱাশিংতন কনফরেন্সনা কন্দেম তৌখ্রে

ৱাশিংতন, দিসেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

'পাকিষ্টান : অফটর দ ইলেক্সন্স' হায়বা হিরমগী মতাংদা ইনটলেকচ্যুএলশিং, হুমেন রাইটস এক্টিভিষ্টশিং, কোংগ্রেসমেনশিং অমসুং মীদিয়াগী মীওইশিংনা শরুক য়াবা মীতিন অমা এস এ এ টি ঐচ (সাউথ এসিয়ন্স এগেনষ্ট টেররিজম এন্দ ফোর হ্যুমেন রাইটস) না শিন্দুনা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা ৱাশিংতনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী কো-হোষ্টশিংনা শ্রীলঙ্কা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা পাকিষ্টানগী এম্বেসেদর ওইখিবা হুসাইন হকানি অমসুং কলমনিষ্ট মোহম্মদ তাকিনা ওইখি। মদু এস এ এ টি ঐচকী অহুমশুবা অসিগুম্বা চহীগী কনফরেন্সনি। মমাঙগী অনীদুনা লন্দনদা পাঙথোকখি।

কনফরেন্স অদুগী অরোইবা নুংথিলদা ৱা ঙাঙলদুনা হকানিনা হায়খি, মপানগী লৈবাক কয়ানা পাকিষ্টানগী নেগেটিভ ফেক্টশিংগী মরমদা খন্ন-নৈনবা পামদে। মদু পাকিষ্টানবু মতম চুপ্পদা য়ানিংদবা, চৈথাংবগী মওংনি। পাকিষ্টান্না হেন্না ফন্না থবক তৌবা ঙল্লোই খনবা নৎত্রগা হায়বসি লৈবাকঅসিবু চৈথাংবগা মান্নে হায়না অনৌবা য়ু এস কোংগ্রেসতা হাউস ফোরেন এফেয়রস কম্মিটি সব কম্মিটি ওন এসিয়াগী মকোক ওইগদৌরিবা কোংগ্রেসমেন ব্রাদ শেরমেননা হায়খি। ইন্দিয়াদা সিদিসনগী লোশিং লান্না শীজিন্নবগী ৱাফমসু শেরমেননা পনখি।

অরোইবা নুংথিলগী সেসন হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা য়ামদ্রবদা মীওই অনী কনফরেন্স হোল অদুগী মপানগী লোবি এরিয়াদা থোক্লকখি অমসুং পাকিষ্টানবু চৈ থাংবগী মতাংদা হকানি য়াওনা ওর্গনাইজরশিংগা ৱারী শানখি। তুংদা নুপা অনীদুগী মনুংদগী সজাদ বুর্কি কৌই হায়না শক্তাকখিবা অমা হোটেলদুগী মপান্দা হক্কানিবু 'ত্রেটর' অমনি হায়না থাবা প্লে কার্দশিং পায়বা অতৈ মীওই কয়াগা পুনমিন্নবা উখি। বুর্কিনা পায়বা বিজিনেস কার্দ অমদা মহাকপু পি টি আই এস এগী প্রসিদেন্টনি হায়না শক্তাকখি। পি টি আই নৎত্রগা পাকিষ্টান তেহরিকঈ-ইনসাফ অসি ইমরান খানগী পার্টিনি। প্লে কার্দ অমদা হকানিগী এজেন্দা আর এ দব্লিয়ুগী এজেন্দাগা মান্নে হায়না ইখি।

মহাক্না টেররিষ্টশিংবু লৈবাক্কী ঈচেলদা তীলহনগদবনি হায়বা ৱাফমগা লোয়ননা কনফরেন্স অদুগী ৱারেপ অমা ওইরিবা টি এল পি অমসুং জে য়ু দি/এল ঈ টি, এস এস পি/এ দব্লিয়ু এম জে/এল ঈ জেগুম্বা হেট গ্রুপশিং অমসুং এক্সত্রিমিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়বা ৱাফমগী মতাংদসু পনখি। মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, য়ু এসনা ওসমা বিন লাদেন ফাবদা মতেং পাংখিবা কিল অফ্রিদিবু থাদোক্লিফাওবা ৱাশিংতননা পাকিষ্টান্দা পীরম্বা তেংবাংশিং চাউনা হঞ্জিনহনখিরোই।

ষ্ট্রাসবোর্গকী খৃষ্টমাস মার্কেট এটেক্কী ভিক্টিমশিংদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ষ্ট্রাসবোর্গ, দিসেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

ষ্ট্রাসবোর্গকী মমিং চৎলবা খৃষ্টমাস কৈথেল মনাক্তা হৌখিবা চয়োলদা চথখিবা টেরর এটেক্তা লৈখিদবশিংদা ঈকায় খুম্নবা উৎনবগীদমক্তা সিটি অদুগী মীয়াম্না নোংমাইজিং নুমীৎতা স্কৱার অমদা পুনখ্রে। চৈরকসিদা শাথিরবা এটেক অদুদা শিখিবা মী মশিং মঙা শুখ্রে।

পোলেন্দগী কাতোৱিসতগী মশাগী চহী ৩৬ শুরবা বার্তো ওরেন্ট-নাইদজেলকি হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা ষ্ট্রাসবোর্গকী হোস্পিটাল অমদা লৈখিদবনি। মহাক লৈবাকপোকপগী নুমীদাংদা চথখিবা এটেক্তা শোকখিবা মীওই দজনদুগী মনুংদা অমনি হায়না পোলেন্দগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সী পি এ পিনা ফোঙদোকখি।

ওরেন্ট-নাইদজেলকি অমসুং মহাক্কী ইটালিয়ন মরুপ এন্টোনিও মেগালিজিনা সম্পেক্ট বেরি থিংখি হায়না লুনা তীন্নবা মমান্নবা অমনা ন্যুজ এজেন্সী অমদা ফোঙদোকখি। চহী ২৮ গী লেঙ্গা ওইবা মেগালিজি মশাগী অশোকপশিং মখা তানা লায়কন্নবা য়াদবদগী ইরাই নুমীৎতা শিখি। থৌদোক অদুদা মীওই ১১ সু শোকখি। মখোয়গী মনুংদা মীওই কয়া অরুবা ফীভমদা লৈরি। বার্তেক হায়নসু মরুপ-মপাংশিংনা মিংথোনবা ওরেন্ট-নাইদজেলকি ষ্ট্রাসবোর্গ সিটিদা চহী ২০ লৈরকখি। এটেক অদুদগী হৌনা মহাক্কী ময়াম্বা জাকুবনা মহাক্কী হকচাংগী ফীভমগী মতাংদা ফেসবুক্তা অপদেটশিং থাগৎখি অমসুং থাংজ নুমীৎতা ইমুং অদুনা ওরেন্ট -নাইদজেলকিগী লাইফ সপোর্ট করম্বা মতমদা লোইগদগে খন্নখি হায়না ইখি। তৌইগুম্বসুং নোংমাইজিং নুমীৎতা জাকুবনা মহাক্কী মনাও বার্তেকে ওরেন্ট-নাইদজেলকি ঐখোয়বু থাদোক্তুনা চৎখ্রে হায়না মহাক্কী ফেসবুক পেজদা ইখি। এটেক অদুগী ভিক্টিমশিং অদু লৈবাক কয়াদগী লাক্লখিবশিং ওইখি। লৈখিদবশিংগী মনুংদগী অমদি থাইলেন্দগী টুরিষ্ট ওইরম্মী। অতোপ্পা অমনা ষ্ট্রাসবোর্গকী টুরিষ্ট ওইরম্মী।

পেরিসতা পুলিসকা প্রোটেষ্টরশিংগা খুৎ থোক্লখ্রে, মীওই ১৬৮ ফাগৎখ্রে

পেরিস, দিসেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টর লিশিং কয়ানা থংন-থংননা মঙাশুবা থাংজ নুমীৎতা ফ্রান্সকী লম্বীশিংদা থোক্লক্তুনা ঈরাং হৌখিবগা লোয়ননা পেরিসকী ময়াই থংবা শরুক্তা মীয়ামগা পুলিসকা খুৎ থোক্লখ্রে।

কেপিটেল ফাওরগা ওপেরা দিষ্ট্রিক্টকী অকোয়বদা রাইঅট পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপখি অমসুং বেটন চার্জ তৌখি অমদি নুমীৎয়ুংবগী মতম য়ৌরকপদা পুলিসনা প্রোটেষ্টর ৬০ গী মথক্তা ফাজিনখি। তৌইগুম্বসুং নুমীদাংৱাইরম য়ৌশিল্লকপা মতম ফাওবদা পুন্না মীওই ১৭০ রোম ফাখি। সিটিগী মরুওইবা মফমশিংদা আরমর্দ ভেহিকল ১৪, ৱাটর কেনননচিংবা থমজিনখি। নুমীদাং পুং ৬ মুক তাবা ফাওবগী মনুংদা মীওই ১৬৮ ফাদুনা হৌখিবা থাংজদা পেরিসতা দেমোন্সত্রেসনশিং পাঙথোকখিবদা ফাগৎখিবা প্রোটেষ্টর ১০০০ রোমদুদগী য়াম্না হন্থখি।

ফ্রান্স অপুম্বদা সিক্যুরিটি ফোর্সেস ৬৯,০০০ রোম শীজিন্নদুনা হৌখিবা থাংজদা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখিবা দেমোন্সত্রেসনশিংদা মীওই ২,০০০ ফাখিবদা দিপ্লোই তৌখিবা পর্সনেল মশিং ৮৯,০০০ দগী হন্থখি। ওপেরাগী অকোয়বদা লৈবা লক্সরি ফেসন বুটিকশিং য়াওনা অরু-অনানগী দুকানশিং, বেঙ্কশিং অমসুং ওফিসশিং অকায় অতোয় নংদনবগী থৌরাংশিং লৌখৎনখি।

IN THE COURT OF CIVIL JUDGE (SR. DIV.),
IMPHAL EAST
Original Suit No. 56 of 2018

Laishram Nimai Singh through his attorney holder
Shri Laishram Maniram Singh
... Plaintiff

–Versus–

Thingom Sharat Meitei and 4 others.
... Defendants

SUBSTITUTED SERVICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C.

To,

Thingom Akanba Meitei aged about 45 years S/O (L) Th. Hera Singh of Khurai Chaithabi Leirak, P.O. Lamlong, P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur.

Whereas the plaintiff has instituted a Suit for declaration with consequential reliefs against the defendants. You are hereby summoned to appear before the Court on 21/12/2018 at 10.30 O cock to answer the claim.

Take notice that in case of your default to appear, the case will be determined in your absence.

Given under my hand and the seal of the Court, on this 13th day of December, 2018.

SEAL :
By:-
Advocate

Sd/- **Y. Somorjit Singh**
Civil Judge (Sr. Divn.)
Imphal East : Manipur

HL-P/5855/18

/কোক তোয়না চিকপা, নপ শিৎপদা ঈ য়াওরকপা, নাতোন মনুংদা চাথৎলগা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, মীৎতগী পী তোয়না তাগনবা, কোক লুম-লুম লাওরগা লৈবা, নাতোন অনীমক ফুল্লগা শ্বর হোনবা ৱাবা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা সাইনসনা মতম কুইনা নাদুনা কোক তোয়না চিকপা, নপ শিৎপদা ঈ য়াওরকপা, নাতোন মনুংদা চাথৎলগা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, মীৎতগী পী তোয়না তাগনবা, কোক লুম-লুম লাওরগা লৈবা, নাতোন অনীমক ফুল্লগা শ্বর হোনবা ৱাবা, নুংশা মঙাল উরগা কোক চিকপা হেনবা, লোক তোয়না থুংবা, চাক য়েন্সাং মহাও ফাওদবা, শ্বর মনম নমথিবা, মায় মীৎ হাক্কৎচবা, নাতোন মনুংদা হাক্কৎচবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, হকথি তোয়না খনবা, ৱা ঙাংবদা খোঞ্জেল শেংনা থোক্তবা, নহি তোয়না তাবা, কোক ঙাওবা, লোক শিৎপদা ঈ য়াওরকপা, হকচাং চোকথবা, লোক কংখু খুরগা তুমফম খঙদবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু হন্না হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Bazar (Wednesday & Saturday open)

থাগৎচরিবা : **W. ARUN SINGH**
Bishnupur

HL-P/5791/18

/দশা য়েংজরি

মখাগী হিরমশিং অসিদা কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়েংজরি লোয়ননা ফনবা তানবিয়ু। অঙাংগী মহৈ-মশিং, দশা-লাংফম, পক্লবা থবক, লাইরিক পানিংদবা, ঙাংনবা ঙমদবা, নিশাদা লাইচুবা, মোবাইলদা উংবা, শুফম-নোমফম খঙদবা, দাউ য়াদবা, শেল তুঙদবা, চানবা করবার, পক্লবা লক্কিষ্টোন, প্রমোসন, ভোট লেপ্পা, লমগী কেশ থেংনবা, য়ুম-ইঙ্খোল, গাড়ী, য়ুম্বাল মহী লাংবা, লুহোংবা থিন্থবা, অঙাং ওইবা ঙমদবা, মীনা কল্লক-য়েংথিবা, হকচাং অনাবনা য়েৎপা, পোৎশম-যাদু লৈবা, ঙাওরি-ফৈরি তৌবা, অসিনচিংবা। মতম অয়ুক পুং ৭ তগী ১২.৩০ ফাওবা লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

মীয়ামগী: জ্যোতিষ মহাধাষি
JM Dr Ph. Rajendra
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai,
Academy Road, Imphal

HL-P/5763/12/3-1Jan.

Kabiraj পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

Piles কী অৱাবা খাংদুনা চহী ১২ লৈরকখি। খোঙ হান্বা মরক মরক্তা ঈ য়াওবা, শৌজগী অকোয়বদা পোমথোরকপা, শোকপদা নাবা, অমাঙথোংদা হাক্কৎচবা, বি-ব্রি চৎপা, চাথৎলগা থুপ্পা, মচুম তারকপা, খোঙ হান্বদা য়াম্না শাবা, পুক খোংবা, খ্বাঙ নাবা, থবাক নাবনি। মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজরুরে ফবা লৈখিদে। মমৈথংদা ওজা **Abdul Hak** *Contact Nos.* **8794429681, 8014623756** তা চৎতুনা লায়েংজবদগী Piles মপুং ফানা ফজরে। অনাবা অৱাবা অমত্তা লৈত্রে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি ঃ
1. Wangoi SBI Awang : 6.30 a.m to 4 p.m.
2. 7 MR Khabeisoi Gate - 10 a.m. to 4 pm.
(Saturday, Sunday & Monday).

থাগৎচরিবা : **KH. NOREN**
Uripok Khumanthem Leikai

HL-P/5750/18

1st
2nd
3rd
4th
5th
6th
7th
8th
9th
10th
11th
12th
13th
14th
15th
16th
17th
18th
19th
20th
21st

TODAY
BUMPER HOUSIE
TODAY

Ticket Rate Rs.3000/-
21 ACTIVA 5G

IN AID OF
MPAS
Estd. 12th Dec. 2015

Time :
4:30 pm

MINI BUMPER
Ticket Rate
Rs.500/-
Prizes:
2 Lacs

Ticket Rate
Rs.150/-
HOUSEFULL:
FLAT TV 55"

VENUE : SINGJAMEI CHINGA MATHAK HAO GROUND
DATE : 18 DECEMBER, 2018

HL-P/5858/18

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN-Class -X Revision Starts: 6th Dec. 2018
Foundation course Class 3 to10 Starts on 20 Dec., 18

LIMITED SEAT

TOPPERS of 2017
1st Position Priyanka M.
3rd Position Rozaria Th.
4th Position Khushi Kh.
6th Position Micheal A.
8th Position Bideli Devi
9th Position Md. Swadique
9th Position Robinson Kh.
9th Position Russel Ch.
13th Position Th. Yaiphabi
14th Position Siddhant W.
15th Position Neelima N.
17th Position Krishnand L.
20th Position K. Hennae
21st Position M. Thoibisana
21st Position Tina Th.
21st Position R.K. Kebisana
22nd Position Guigaingam K.
23rd Position Ng. Babyka
23rd Position Meghila T.
TOPPERS of 2018
1st Position Yaiphabi M.
2nd Position Patel Lairenjam
4th Position Malemnganbi
4th Position Lydia Thokchom
5th Position Delina Soubam
5th Position Ronney W.
7th Position Anjali Konjengbam
10th Position M. Pinky
10th Position Memthoi L.
11th Position Rajyashori Limbu
12th Position Advance N.
13th Position Olelna Thangjam
15th Position Varina Toijam
16th Position Lanchenbi L.
18th Position Sangita Yumnam
20th Position Th. James
20th Position Haoam Eerik
21st Position Ch. Melodie
22nd Position Dhanika A.
22nd Position H. Vishal Singh
23th Position Lelina Laishram
23th Position N. Robikanta
99 in MAN AK Toshiba

Form Available for Mock Test 2019

Date	Subject
10/1/19	English
14/1/19	Maths
16/1/19	S.Sc.
19/1/19	Addl.Sub
22/1/19	Science
24/1/19	MIL

BOARDING FOR BOYS & GIRLS
7628946313 - 9402897710 - 8732022342
VAN AVAILABLE

HL-B/5032/27/11-27/12